# করিগুম্বা চাইনানা টাইৱানদা এটেক তৌরবদি য়ুএসনা মায়োং য়াগনি: য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন



ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): করিগুম্বা চাইনানা টাইৱানদা এটেক তৌবা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঈথৎ অসিগীদমক্তা মায়োং য়াগনি হায়না য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

সিবিএসকী ইন্টরভিয়ু অমদা য়ুএসকী ট্রুপশিংনা ঈথৎ অসিবু অকন অরিং শীংবশিংগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্কদ্রা হায়না হংবদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা মদু অচুম্বনি, মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ঈথৎ অসিদা চাইনানা এটেক তৌবা তারবদি য়ুএসনা তশেংনমক মায়োং য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি। য়ুএস প্রসিদেন্ট অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হ্বাইট হাউসনা ক্লারিফিকেসন অমা পীরদুনা টাইৱানগা মরী লৈননা মিলিটরি এক্সন লৌখৎতবা হায়বা য়ুএসকী ওফিসল পোলিসিদা অহোংবা লৈতে হায়খি।

বাইদেনগী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা ঐখোয়না য়ানিংদবা উৎলি অমসুং মদুবু চেৎনা ওপোজ তৌই হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখি। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা হায়খি, মদুদি নোংমাইজিং নুমিত্তা সিবিএসনা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা মিনিট ৬০ গী ইন্টরভিয়ু অমদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা উৎপা ৱারোল অমা মিনিষ্ট্রি অসিনা ৱাশিংতনদা পীশিনখ্রে।

টাইৱান অসি বৈজিংনা চাইনাগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরিবা ইষ্টর্ন চাইনাগী সমুদ্র খোঙবানগা নক্কনা লৈবা মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ অমনি। ৱাশিংতননা ইস্যু অসিগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক্কী ওইনা অয়াম্বা মতমদা চেকশিন্না লাকখি। লৈবাক অসিনা বৈজিংগা লৈনরিবা মরীগী য়ুম্ফম ওইরিবা ৱান চাইনা পোলিসিদা থাজবা থম্মী অমসুং মসিদগী অহোংবা লৈরোই হায়না ফোঙদোক্কুনা লাকখি।

পোলিসি অসিগী মখাদা শুপ্নগী চাইনিজ গভর্ণমেন্ট অমত্তমক লৈ অমসুং ৱাশিংতন্না বৈজিংগা ওফিসল মরী থম্লে, তৌইগুম্বসুং টাইৱানগদি অসিগুম্বা মরী থম্নদে হায়বসি মতম চুপ্পদা ৱাশিংতন্না ফোঙদোক্কুনা লাকপা ৱাফমনি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টাইৱানগসু অচেৎপা মরী থম্নবগা লোয়ননা টাইৱান রিলেসন এক্টকী মখাদা ঈথৎ অসিদা খুৎলায় কয়া য়োল্লি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না য়ুএসনা ঈথৎ অসিদা মশা ঙাকথোকচনবগী পাম্বৈশিং ফঙহনগদবনি।

করিগুম্বা অকন অরিং শীংলকপা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিলিটরি এক্সনগা লোয়ননা ঈথৎ অসিগীদমক্তা মায়োং য়াগনি হায়না নাখৈ শেংনা পল্লিবা বাইদেনগী ৱারোল অসি ৱাশিংতন্না মতম শাংনা চৎলক্লিবা ৱান চাইনা পোলিসিগা খরা তাইওন্নবা ওইনা উরি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী ইন্টরভিয়ু অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টাইৱাননা নিংতম্বগী ৱাফম অসিবু পুক্লিং থৌগৎপা লৈতে হায়নসু বাইদেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ইন্টরভিয়ু অদুদা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী ওইনদি ৱান চাইনা পোলিসি লৈ অমসুং টাইৱাননা মখোয়গী নিংতম্বগী মতাংদা নশাগী ওইবা জজমেন্টশিং লৌজৈ। ঐখোয়না টাইৱানগী ওইবা ৱারেপশিংদা খুৎ থিংজিনবা নত্ত্রগা পুক্লিং থৌগৎপা লৈতে। ঈথৎ অসিগী মীয়াম্না মখোয়গী ওইবা ৱারেপ লৌজগনি।

প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ৱারোল অদুবু টাইৱাননা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ অসিনা ৱাশিংতনগা মখা তানা সেক্যুরিটি পার্টনরশিপকী মরী চেৎশিলহনগনি হায়খ্রে।

# ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা পাকিস্তানদা অনীশুবা দিজাষ্টর থোরকপা য়াই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱার্নিং তৌখ্রে



জিনিভা, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ঈচাওনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্লবা মীওই লিশিং কয়াদা ঈশিংনা থোকহনবা লায়না কয়া মফম কয়াদা পাক্তক্লনা শন্দোরক্লিঙৈ মরক্তা পাকিস্তানদা অনীশুবা দিজাষ্টর অমা থোরকপা য়াই হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ভিলেজ, টাউন অমসুং সিটি কয়াদা মখা তানা ঈচাওনা শোকহন্দুনা অমাঙ অতা কয়া মায়োক্লরিবা শিন্দ প্রোভিন্সকী হৌজিক লৈরিবা অরুবা ফিভমদা পুক্লিং চিংশিনবগা লোয়ননা দব্লিয়ু ঐচ ওনা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা অমসুং মখল মখা কয়াগী লায়না লাইচৎশিংদগী মীয়াম্বু মখা তানা ঙাকথোকপদা মতেং ওইননবা মালেমগী লৈবাকশিংনা অঙম্বা দোনেসনশিং পীরক্নবা আপিল তৌখ্রে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্তর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম গেব্রেয়েসেসনা হায়খি, মদুদি পাকিস্তানগী ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মহিক মতাই পক্লবা শেংদবা ঈশিং থক্লুবদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোলেরা, মেলেরিয়া, দেঙ্গি অমসুং দাইরিয়ানচিংবা লায়নাশিংগী কেস মশিং লেপ্পুনা হেনগৎলক্লি।

গেব্রেয়েসেসনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হেল্‌থ সেন্টরশিংদা হৌজিক লাক্লিবা পেসেন্টশিং য়েংশিনবা ঙম্লক্ত্রে। মসিদা নত্তনা তঙাই ফদবা হিদাক লাংথকনচিংবা পোৎলমশিং চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ময়ুম মকৈ থাদোক্লবনা মরম ওইদুনা মখোয় মহৌশাগী ওইবা হেল্‌থ সার্ভিসেসকী খুদোংচাবা ফঙদ্রে।

হৌজিক ঈচাও থোক্লিবা মফমশিংদা অঙাং উন্নবা অমদি দাইবেটিস নত্ত্রগা হার্টকী লায়না য়াওনা অরুবা লায়না কয়া মহৌশাগুম মেদিকেল ক্যের পীবা ঙমশিল্লক্ত্রে। অঙাং কয়া কাপফম থোকপা ভেক্সিনশিং কাপত্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফ অসিনা পাকিস্তানগী হেল্‌থ ৱার্করশিং মখোয়গী লৈজরিবা কেপাসিটিদগী য়াম্না হেন্দোক্না থবক তৌরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অদুনা লৈবাক অসিগী হেল্‌থ ক্যের ফেসিলিটি লিশিং অনী হেন্না মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা হেল্‌থ ৱার্করশিংগী প্রোব্লেমশিং হেন্না লুশিলহনখি। গেব্রেয়েসেসকী মতুং ইন্না দব্লিয়ু ঐচ ওনা পাকিস্তান শীন থুংনা হেল্‌থ ফেসিলিটিশিং অমসুং মেদিকেল কেম্পশিং লিংখৎলগনি।

# য়ুএস নেভিগী ভেটরান মার্ক ফ্রেরিক্স টালিবানননা থাদোকখ্রে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): অফঘানিস্থানদা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখিবা য়ুএস নেভিগী ভেটরান মার্ক ফ্রেরিক্স চহী অনী হেনবগী মতুংদা টালিবানননা থাদোকখ্রে হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেননা পল্লদুনা মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।

চহীসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুএসনা ফ্রেরিক্সপু অশোয় অঙাম অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্নবা আপিল তৌখিবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌনবগী প্রোগাম অমগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টালিবানগী লুচিংবা অমা থাদোরকখিবগীদমক টালিবানসু অমেরিকন প্রিজনর অমা থাদোকখ্রে হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী এক্টিং ফোরেন মিনিষ্টর অমির খান মুটাখিনা কনফার্ম তৌখি।

কাবুলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মুটাখিনা হায়খি, মদুদি ঙসি মার্ক ফ্রেরিক্স য়ুএসতা শিন্নখ্রে অমসুং হাজি বাসরবুনা কাবুল এয়রপোর্টতা ঐখোয়দা শিন্নরকখি। মতম শাংনা নিগোসিএসন চথরক্লবা মতুংদা প্রিজনর একচেঞ্জকী খোঙথাং অসি লাকপনি হায়না পল্লদুনা স্পোক্সমেন অসিনা য়ুএস নেভিগী ভেটরান অদু য়ুএস দেলিগেসন অমদা শিন্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী মতুং ইন্না য়ুএস নেভিগী ভেটরান অদু অফঘানিষ্টানদা কন্সট্রক্সন প্রোজেক্টশিংদা সিভিল ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা কিদনেপ তৌখিবনি। মহাকপু ইকোন কোন্না উখিবদু চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ভিদিও অমদনি। মদুদা মহাকপু ইমুং মনুংগা পুনবা ঙমজনবা মহাকপু থাদোকপীনবা নেভিগী ভেটরান অসিনা হায়জখি।

চৈরকসিদা টালিবানগী সেনিয়র মেম্বর অমা ওইরিবা হাজি বাসির নুরজাই নোংমাইজিং নুমিত্তা কাবুলদা থুংখ্রে। কুমজা ২০০১ গী মতুংদা নুরজাইনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকন ট্রুপশিং কন্টেক্ট তৌখি অমসুং য়ুএসতা চৎখি। মহাক ২০০৫ তা ন্যু য়োর্কতা লৈরিঙৈদা ফাখি অমসুং য়ুএসকী কোর্ট অমনা মহাকপু পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। ইস্লামিক ইমিরেট অসিগী কাটারদা লৈবা পোলিটিকেল ওফিসকী স্পোক্সমেন মোহমদ নায়িম্না ত্বিট অমদা চহী ২০ ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা হাজি বাসির থাদোরক্তুনা ঙসি কাবুলদা থুংলরে হায়খি।

# চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু নাইজেরিয়াদা লাসা ফিবরনা শিহনবা মী মশিং ১৭১ শুরে



অবুজা, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লৈবাক অসিদা লাসা ফিবরগী ইনফেক্সন হন্থহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনসু চহী অসিদা লায়না অসিনা নাদুনা লৈবাক অসিদা শিখিবা মী মশিং ১৭১ শুরে হায়না নাইজেরিয়া সেন্ট্রেল ফোর দিজিস কন্ট্রোল (এনসিদিসি) না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী হৌজিক লৈরিবা খ্বাইদগী নৌবা লাসা ফিবরগী ফিভমগা মরী লৈনবা রিপোর্টতা এনসিদিসিনা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী অঙনবদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না লায়না অসিগী কনফার্ম তৌরবা কেস ৯১৭ শুরে। মতম অসিদা রেকোর্দ তৌখিবা সস্পেক্টেদ কেস মশিংনা ৬৬৬০ নি।

সেপ্টেম্বর ৫ দগী ১১ ফাওবগী চয়োল খক্তদা নাইজেরিয়াদা অনৌবা কনফার্ম কেস ৮ অমসুং লায়না অসিনা শিহনবগী থৌদোক অমা রেকোর্দ তৌখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৫ গী লোকেল গভর্ণমেন্ট এরিয়া ৭৭৪ গী মনুংদা ১০২ দা য়ামদ্রবদা কনফার্ম কেস অমা থেংনরে হায়না অফ্রিকাগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্‌থ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং ১৭১ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা এনসিদিসিনা হায়রি, মদুদি লায়না অসিনা শিহনবগী চাং অসি চাদা ১৮.৬ ওইদুনা মমাঙগী চহীগী মান্নবা মতমদা লৈখিবা চাং অদুদগী হন্থে। মমাঙগী চহীদদি লায়না অসিনা শিহনবগী চাং অসি চাদা ২৩.৩ ওইখি। দিজিস কন্ট্রোল সেন্টর অসিনা হায়, লায়না অসিনা খ্বাইদগী হেন্না নাহল্লিবা চহী গ্রুপতি চহী ২১ দগী ৩০ ফাওবা অসিনি।

ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না লাসা ফিবর অসি ভাইরসশিংগী মনুংদা অরেনাভাইরস ফেমিলিগী মেম্বর অমা ওইরিবা লাসা ভাইরসনা থোকহনবা একুট ভাইরেল হেমোরাজিক লায়নানি। মীওইবদা লায়না অসিনা নারকপা হায়বসি মহৌশানা মাষ্টোমিস রেট হায়না খঙনবা উচি মখল অসিগী মথি ময়ুং পক্লবা চিঙ্গাক নত্ত্রগা ইমুংগী পোৎচৈশিংদা এক্সপোজ তৌবদগী লাসা ভাইরসকী ইনফেক্সন লৈরকপদগী থোকপনি।

লায়না অসি ৱেষ্ট অফ্রিকাগী উচি মখল অসিগী লৈফম ওইবা মফমশিংদা অয়াম্বনা থেংনৈ।

কেস খরদদি লাসা ফিবরগী লাইওংশিং মেলেরিয়াগা মান্নবগা লোয়ননা ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌরবা মতুং চয়োল অমদগী চয়োল অহুম ফাওবগী মনুংদা উথোরকই। লুশিন্দবা কেসশিংদা লায়না অসিনা ফিবর, চোকথবা, হকচাং শোন্থাবা অমসুং কোক চিকপা অসি থোকহনবা য়াই।

এনসিদিসিনা হায়রি, মদুদি সেন্টর অসিনা লাসা ফিবরনা শিহনবগী চাং সিঙ্গল দিজিটতা হন্থহন্নবগী পান্দম থম্বা ঙম্নবা ষ্টেট পব্লিক হেল্‌থ টিমশিংদা লেপ্পুনা সপোর্ট পীগনি।

মখা তানা দিজিস কন্ট্রোল এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি এজেন্সি অসিনা হৌজিক লায়না অসি শন্দোরকপা কন্ট্রোল তৌনবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেটশিং অমসুং ট্রিটমেন্ট সেন্টরশিংদা মেদিকেলগী ওইবা মচাক মথুমশিং য়েন্থোকপগী থবক চথরি।

# টাইফুন নানমাদোলনা জপানদা মীওই অনী শিহনখ্রে



টোকিও, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): খ্বাইদগী শাথিবা টাইফুনশিংগী মনুংদা অমনি হায়নরিবা সুপর টাইফুন নানমাদোল জপানগী ক্যুসু রিজনদা শাফু কন্না শীৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন মাপন ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা লৈননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না ফুকুৱাকা প্রিফেকচরদা টাইফুন অদুদগী থৈদোক্তুনা চঙজফম লৌবা য়াবা মফম অমা থিদুনা চৎলিবনি হায়না থাজবা নুপা অমা লেকথরকখি অমসুং মহাক মতুং তাবদা শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

অতোপ্পা নুপা অমসু নিয়াজাকি প্রিফেকচরগী ঈশিং থুম্লবা ফার্মলেন্দ অমদা ঈশিং মনুংদা লৈখ্রবা কার অমদগী অশিবা হকচাং ওইনা লৌখৎখি। মিয়াজাকি প্রিফেকচরগী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না লেন্দস্লাইদ থোকপদগী মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মীওই অমা মহাক্কী কেবিন অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা থিবা খঙখিদ্রে।

চহী অসিগী ১৪ শুবা ওইরিবা টাইফুন অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুংদা কিমি ২০ গী স্পিদকা লোয়ননা য়ামাগুচি প্রিফেকচরগী হাগিগা নক্কনা শিৎপা উখি। টাইফুন অদুগী এটমোসফ্রেরিক প্রেসর মদুগী সেন্টরদা হেক্টো পেস্কেল ৯৭৫ নি অমসুং নুংশিৎকী খোঙজেলদা পুংদা কিমি ১০৮ নি অমসুং মরক্তা পুংদা কিমি ১৬২ য়ৌনা য়াঙবা নুংশিৎসু য়াওখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না কা হেনবা ৱেদরগী ফিভম মরক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্যুসুদা বুলেট ট্রেনশিংগী সার্ভিস সস্পেন্দ তৌখি অমসুং মীওই ৭০ হেন্না অশোক অপন নঙখি।

জপানগী মরু ওইবা এয়রলাইন অনী এএনএ অমসুং জপান এয়রলাইন্সনা ফ্লাইট ৬০০ রোম কেন্সেল তৌখি। টাইফুন অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ঈথৎ ওইরিবা হোন্সুদা লানশিল্লক্কনি হায়রদুনা মীয়াম্না অকনবা নুংশিৎ সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথক ঈপোমশিং অমদি মদস্লাইদশিংদগী চেকশিন্নবা জপান মেটরিওলোজিকেল এজেন্সিনা মখা তানা ৱার্নিং তৌরি।

মীওই লিশিং কয়া নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং ইমর্জেন্সি সেল্টরশিংদা লেনখি অমসুং য়ুম ৩৫০,০০০ মৈ ফঙদবদগী পুংমম মম্না লৈখি।

# প্রিজনর একচেঞ্জকীদমক শেম শারে: ইরান

টেহরান, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইরানা অমুকসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌননবা শেম শারে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাসেল কানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানিয়ন ষ্টুদেন্টস ন্যুজ এজেন্সি (আইএস এন এ) না কানানিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ঐখোয়না মমাঙদা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। হৌজিকসু লৈবাক অনীগী মরক্তা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌননবা ঐখোয়না অমুকসু শেম শারি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা নাকল অনীগী মরক্তা নিগোসিএসন চথখি। লোয়ননা নাকল অনীনা মথৌ তাবা এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনখি। হৌজিক এগ্রিমেন্টশিং অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা নত্ত্রগা তৌদবা হায়বসি অমেরিকন গভর্ণমেন্টগী ৱারেপতা লৈরে হায়না স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌনবগী ইস্যু অসি কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল হিংগৎহন্ননবা ৱারী শান্নবগী ৱারোইশিনগা মরী লৈনদে হায়নসু কানানিনা ফোঙদোকখি।

# য়ুএসনা শেল থুমগী অথিংবশিং থম্বদগী ভেনেজ্বেলানা এদুকেসন সেক্তরদা মায় ওনশিনবা ঙমদ্রে

করাকাস, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ভেনেজ্বেলাগী মায়োক্তা য়ুএসনা শেল থুম য়াওনা অথিংবা কয়া থম্বা অসিনা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সেক্তরদা মথৌ তাবা রিছোর্সশিংগা লোয়ননা মায় ওনশিনবা ঙমদ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ভেনেজ্বেলাগী মিনিষ্টর ওফ এদুকেসন য়েলিটজে সন্টেলানা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএনগী এদুকেসনগা মরী লৈনবা সম্মিটতা পীবা মহাক্কী স্পিচতা সন্টেলানা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইন্টরনেসনেল লো পুন্নমক ভাইওলেট তৌদুনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ভেনেজ্বেলাগী রিছোর্সশিং ফাজিন্দুনা লৈখিবদগী লৈবাক অসিনা খুদোং চাদ্রবা কয়া মায়োক্লরক্লি।

সন্টেলানা মখা তানা হায়খি, মদুদি ভেনেজ্বেলাগীদমক্তদি এদুকেসন হায়বসি ফন্দামেন্টেল হ্যুমেন রাইট অমসুং সোসল দ্যুটি অমনি। মরম অদুনা মসি লৈবাক অসিদা য়াম্না মরু ওই। ভেনেজ্বেলানা এদুকেসন সেক্তর মখা তানা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তাবা ইনভেষ্টমেন্ট অদুগীদমক্তা শীজিন্নবা য়াগদৌরিবা য়ুএসনা ফাজিনখিবা রিছোর্সশিং রিলিজ তৌগদবনি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থম্বা অমদি মালেমগী ফোরম কয়াদা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা তাথি তাওইবা মী ৎয়েংনা য়েংবা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ওজাশিং চৈথেং চাওনা ফঙলে হায়খি।

কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মনুংদা ফাওবা ভেনেজ্বেলানা এদুকেসন সিষ্টেমদা অনৌবা ওজা ৫০,০০০ গী সার্ভিস শীজিন্ননবা হোৎনখি হায়নসু মহাক্না মখা ফোঙদোকখি।

# নোর্দন ইরাক্তা চথখিবা রেইদশিংদা আইএস মিলিটেন্ট তরা শিখ্রে



বাগদাদ, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইরাক্কি নোর্দন প্রোভিন্স নেনেবেদা নোংমাইজিং নুমিত্তা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) কী মিলিটেন্ট তরেৎ অমসুং গভর্ণমেন্টনা শৌগৎপা পেরা মিলিটরি হাসট সাবি ফোর্সেসকী মেম্বর অমা শিখ্রে হায়না হাসট সাবি ফোর্সেসকী মেদিয়া ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

ফোর্সেস অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নিনেবে প্রোভিন্সকী কেপিটেল মোসুলগী খা নোংচুপ থংবা অল-হাট্রা দেজার্টকী টনেল অমদা লোত্তুনা লৈরিবা আইএস মিলিটেন্টশিংগা হাসট সাবিগী ফাইটরশিংগা খুৎ থোক্লখি।

খুৎ থোক্লবা অদুদা টনেল অদুগী মনুংদা লৈরিবা আইএস মিলিটেন্ট তরেৎ শিখি। লোয়ননা টনেল অদুদা থোমজিন্নবা হোৎনখিবা সুইসাইদ বোম্মর অনীনা মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিব বোমশিং পোকখায়খিবদা হাসট সাবিগী মেম্বর অমসু শিখি অমসুং অতৈ নিপানা অশোক অপন নঙখি।

চৈরকসিদা ইরাক্কি ফোর্সেসকী কম্মান্দর-ইন-চীফসকী স্পোক্সমেন রহিয়া রাসুলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, আর্মিগী হেলিকোপ্টর গনশিপশিংনা নিনেবেদা রিকোনিসান্স অমসুং থী হুম্বগী ওপরেসন চথবদা ভেহিকল অমা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা আইএস মিলিটেন্ট অহুম হাৎখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরাক্কি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা আইএস ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা অপনবা কেম্পেইন অমা চথদুনা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিং অদুগী মায়োক্তা থী হুম্বগী ওপরেসনশিং পাঙথোকখি।

কুমজা ২০১৭ দা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্কি সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক মিলিটেন্ট অসিগী লৈহৌরিবা মশিং য়ামদবা মেম্বর খরা লৈবাক অসিগী অর্বান সেন্টরশিং, দেজার্টশিং অমদি চীং মানশিংদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা গুইরিলা এটেকশিং তোইনা চথরকখি।

BEFORE THE OATH COMMISSIONER : AT IMPHAL

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT



I, **Sharubham Peter Singh**, Date of Birth 12/06/1979, S/o Sharubham Lala Singh, resident of Andro Khunou Leikai, Andro, Imphal East, Yairipok, Manipur- 795149, do hereby take Oath and solemnly affirm and state as under:-

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India having a permanent resident of above mentioned Place. This is true to my knowledge.
2. That, in my Voter Identify Card bearing No. BSS0316349, my name and my father's name has been recorded as Sharubam Mera, S/o. Sharubam Meipak instead of Sharubham Peter Singh, S/O. Sharubham Lala Singh, which was recorded in my Aadhaar card bearing No. 2576 3811 9992 as these names are pertained to one and same person. This is true to my knowledge.
3. That, I desire to rectify my name and father's name as Sharubham Peter Singh, S/o. Sharubham Lala Singh as per my Aadhaar Card in the said voter Id so as to avoid any complicacy in future. This is true to my knowledge.

Verified that the contents of the above paras No. 1 to 3 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge and nothing has been concealed therein and I swear this Affidavit on this 19th day of September, 2022 at Imphal.

By: **N. Singhajit Singh** B.A. LL.B. Advocate

**Th. Pramotkumar Singh** Oath Commissioner (Judicial) Imphal, Manipur

Signature of the Deponent **Sharubham Peter Singh**

HL-P/3852/20

# সাউথ কোরিয়াদা অফ্রিকান স্বাইন ফিবর শন্দোরকপদগী ওক ৭০০০ হাৎলগনি

সিওল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াদা অফ্রিকান স্বাইন ফিবর (এএসএফ) শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী ওক ৭০০০ রোম হাৎতোক্লগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। লোকেল ফার্ম অমদা লায়না অসিগী কেস খরা থেংনরকপদগী লৈবাক অসিনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর, ফুদ এন্দ রুরেল এফিয়র্সনা হায়খি, মদুদি কেপিটেল সিওলগী অৱাংলোমদা কিমি ৮৫ রোম লাপ্পা চুনচিওংদা লৈবা ওক্কী ফার্ম অমদা এএসএফ শনেদারকখি। মসিনা মরম ওইদুনা লায়না অসি অতৈ মফমশিংদা শন্দোরকপা থিংনবগী থৌরাং অমা ওইনা ফার্ম অদুগী ওক ৭০০০ রোম হাৎলগনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা গাংমোন প্রোভিন্সকী ওক্কী ফার্মশিং অমসুং মরী লৈনবা ফেসিলিটিশিংগী ফিভম পুং ২৪ গী অহোংবা লৈহন্দনবগী ওর্দরসু ইস্যু তৌখি। গভর্ণমেন্টনা থংনবা ফার্ম ৪৩ দা কুপ্না ইন্সপেক্সন চথনবসু থৌরাং তৌরি। মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুংইন্না প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা ওক্কী ফার্ম ২০০ দা ক্লিনিকেল টেষ্টশিং চথনবসু থৌরাং তৌরি।

# কম্বাইন্দ দ্রিল পাঙথোক্লবা য়ুএস এয়র ক্রাফট কেরিয়র সাউথ কোরিয়া পাঙলগনি

সিওল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী নেভিগা কম্বাইন্দ দ্রিলশিং পাঙথোক্লবগীদমক য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ এয়র ক্রাফট কেরিয়র অমা চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা সাউথ কোরিয়াদা লাক্লগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুএস ফোর্সেস কোরিয়া (য়ু এস এফ কে) না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এস এফ কেনা হায়খি, মদুদি য়ুএসএস রোনাল্ড রিগান করিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ অসি রুটিন পোর্ট ভিজিট ওইনা সাউথ কোরিয়াদা চৎলগনি। পোর্টতা লৈরিঙৈদা ষ্ট্রাইক গ্রুপ অসিগী পর্সনেলশিংনা সাউথ কোরিয়ন নেভিগী মখোয়গী পার্টনরশিংগা ইনগেজ তৌবগী খুদোংচাবা ফঙগনি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মীয়াম্না কলচরেল একচেঞ্জ কন্দক্ট তৌগনি হায়না য়ু এস এফ কেনা ফোঙদোকখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না ষ্ট্রাইক গ্রুপ অদু সাউথ কোরিয়াগী নেভিগা কম্বাইন্দ মেরিটাইম দ্রিলশিং পাঙথোক্লবগীদমক ইরাই নুমিত্তা কেপিটেল সিওলগী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৩৯০ রোম লাপ্পা লৈবা বিসানগী নেবেল ভেজ অমদা থুংগনি।

মসি চহী মঙারোমগী মমাঙদা য়ুএস এয়রক্রাফট অমনা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজকীদমক সাউথ কোরিয়া ভিজিট তৌখিবা মতুংদা পাঙথোকপা য়ুএস এয়রক্রাফট কেরিয়র অমগী অহানবা সাউথ কোরিয়া খোঙচৎ ওইরগনি।

ষ্ট্রাইক গ্রুপ অদুদা নিমিস-ক্লাস এয়রক্রাফট কেরিয়র, য়ুএসএস চাঞ্চেল্লর্স বিল গাইদেদ মিসাইল ক্রুজর অমসুং য়ুএসএস বেরি এজিস ইক্বিপ দিষ্ট্রোয়র য়াওরি।

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

**Imphal, the 19th September, 2022**

No.3(II)/1/10-HSC(Vol.I)/7615: In continuation of this office Notification of even no. dated the 2nd August, 2022, it is, hereby, notified for general information to all concerned Principals/Head of institutions that the last date of online submission of Enrolment and Registration of Class XI and Class XII along with completed registration application forms, print out copies of Enrolment & Registration Statement and necessary documents have been extended as under. The rate of fees shall remain unchanged.

| Sl. No. | Class | Last date for online submission | Last date for submission of forms/statement to the Council |
|---|---|---|---|
| 1. | XI & XII | 19-10-2022 | 24-10-2022 |

Further, no extension will be made under any circumstances.

**Sd/-**
**Ch. Biren Singh**
**Secretary**
**Council of Hr. Sec. Edn., Manipur**

HL-B/7837/20